**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 30-01-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) লৈবাক অসিনা ঙসি জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধিনা লৈখিদবা নুমিৎপু মার্টিয়রস ডে হায়না পাঙথোক্লি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওইশিং ফারে।

অমসুং

৩) উত্তর প্রদেশকী প্রয়াগরাজগী মহা-কুম্ভগী সঙ্গম ঘাৎতা নেৎশিন্নবদগী মীওই কয়া লৈখিদবা অদুদা রাষ্ট্রপতি অমদি প্রধান মন্ত্রিনা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

------

ডে (এল)ঃ জাতি মপা মহাত্মা গান্ধিনা লৈখিদবা নুমিৎপু লৈবাক অসিনা ঙসি মার্টিয়রস ডে হায়না পাঙথোক্লি। ইং কুমজা ১৯৪৮ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মহাত্মা গান্ধিবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি। নুমিৎ অসিবু নিংশিংদুনা লৈবাক অসিগীদমক মথৱায় কৎথোকখ্রবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি।

মণিপুরদসু নুমিৎ অসি রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালগী গান্ধি মেমোরিয়েল হোলদা পাঙথোক্কনি। রাজ্যপাল আজয়কুমার ভল্লানা লুচিংদ্না মহাত্মা গান্ধিগী মীতমদা লৈ কৎকনি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা পুং ১০ মিনিত ৫৯ দগী পুং ১১ ফাওবা মিনিত অমা চুপা সাইরেন খোংগনি। অতোপ্পা সাইরেন অমনা পুং ১১ মিনিত ২ দগী পুং ১১ মিনিত ৩ ফাওবা খোংদুনা থৌরম অসি লোইশিনগনি।

রাজ্যগী হোম কম্মিসনার এন. অশোক কুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- সাইরেন খোংলিঙৈ মনুংদা মনাক নকপদা লৈবা মীওইশিংনা তুমিন্না লেপ্তুনা অমদি গাড়ি থৌরিবশিংনসু গাড়ি খামদুনা লৈখিদব্রা লুচিংবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপীয়ু।

থৌরম অসিদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ, মন্ত্রিশিং, এম.এল.এশিং সিভিল অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াগনি।

ইম্ফালগী জি.এম. হোলদা ঙসি অয়ুক পাঙথোক্কদৌরিবা মার্টিয়র্স ডেগা মরী লৈননা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি হায়না ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিংগী এস.পিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থৌরম পাংথোক্লিঙৈ মনুংদা কৈশামপাৎলোমদগী কংলাগী নোংচুপ থংবা গেট তমা লাকপা গাড়িশিংনা নিত্যাইপাৎ চুথেক্তগী জেনেরেল পোষ্ট ওফিস শঞ্জেন থোংলোমদা থৈদোক্তুনা চৎকনি। নোর্থ এ.ও.সিদগী এল.আই.সি. ক্রোসিং তমা লাকপা গাড়িশিংনা খোঙনাং অনি কারক, এম.জি. এভিন্যুদগী কংলাগী নোংচুপ থংবা গেটলোমদা লাকপা গাড়িশিংনা ওল্ড পৱার হাউসতগী এল.আই.সি ক্রোসিংলোমদা চৎহনগনি। লোয়ননা শঞ্জেন থোং অমসুং জেনেরেল পোষ্ট ওফিসলোমদগী কংলাগী নোংচুপ থংবা গেটলোমদা লাকপা গাড়িশিংনা নিত্যাইপাৎ চ্থেক্তগী কৈশামপাৎলোমদা অমদি উরিপোকলোমদগী কংলা তমা লাকপা গাড়িশিংনা নিত্যাইপাৎ চুথেকলোমদা চৎকদবনি। হায়রিবা অহোংবা অসি থৌরম লোইদ্রিবা ফাওবা চৎনগনি হায়রি।

রাষ্ট্রপিতা মহাত্মা গান্ধি লৈখিদবগী ৭৭ শুবা কুমওন থৌরম মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিনা শিন্দুনা ঙসি অয়ুক বি.টি. রোড ইম্ফালদা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট কে.মেঘচন্দ্রনা লুচিংদুনা মহাত্মা গান্ধিগী মীতমদা লৈ কৎকনি।

এরেষ্ট (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওইশিং

ফাখি। মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়- ঙরাং আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অনি ফাখি। মখোয় পাউনা বজারগী অকোইবদা লৈবা দুকানশিংদগী শেল খায়বদা চেন্নবা মীশকনি হায়রি। মখোয়দগী মেগজিনগা লোয়ননা পোইন্ট থ্রি-টু পিষ্টোল অমা, ৭.৬৫ কী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৭, মোবাইলল হেন্দসেট অনি, চাকা অনি পানবা গাড়ি য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎলে হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী খোংজোম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তেন্থাদগী প্রিপাক (প্রো)গী মীওই অনি ফারে। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অহুম অমসুং য়ু.এন.এল.এফ (কে)গী মীওই অমা তেংনৌপল জিলাগী বোর্দর পিল্লর-৮৫ অমসুং বোর্দর পিল্লর ৮৬ কী মরক্তগী ফাখি। ফারবা মীওইশিং তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখে হায়রি।

ঙরাং জিরিবাম জিলাগী জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা নুংচপ্পী খুলদা লম্মাংনদুনা চৎলম্বা নুপী অমা মহাক্কী ইমুং মনুংদা শিন্নখ্রে হায়রি। ৱাখল চোইরবা নুপী অদু মোলজোল খুলদগীনি হায়রি।

মরক অসিদা, অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নেসনেল হাইৱে-টু অমসুং নেসনেল হাইৱে-৩৭ দা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলম পুবা গাড়িশিং পুশিল্লক্লি। নেসনেল হাইৱে টুদা গাড়ি ২৮৭ অমসুং নেসনেল হাইৱে-৩৭ দা গাড়ি ২২৪ অহেনবা সেক্যুরিতিগা লোয়ননা ইম্ফাল তমা পুশিল্লকখ্রে।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসকী কম্পনি ওপরেতিং বেজ থৌবালদা নোংমগী ওইবা কম্পনি কম্মান্দরশিংগা উন্নবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা কম্পনি কম্মান্দরনা দিফেন্স ফোর্সশিংদা নহাশিংনা করমা চংগদগে হায়বগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। হন্দক্তা কেরিয়র ফাউন্দেসন থৌবালনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা অনিসুবা রাজ্য থাক্কী জেনেরেল নোলেজ কিজ কম্পিতিসনদা মকোক মথং তারকখ্রবা মহৈরোইশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখি।

সিম্পোজিয়ম (এল)ঃ দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত

চেঞ্জনা শিন্দুনা- প্রোটেক্তিং ৱেটলেন্দস ফোর অৱার কম্মন ফ্যুচর হায়বা হিরমদা রাজ্য থাক্কী ওইবা সিম্পোজিয়ম অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোমপাৎতা লৈবা দিরেক্তোরেট অসিগী ওফিসদা পাঙথোক্লগনি।

ক্লব (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্টগী ৱাংখৈ থাংজম লৈকাইদা লৈবা চৈতৈন্য ইন্সটিট্যুট ওফ সংকৃটনগী অনৌবা প্রদক্সন- দেখো গুরু ব্রহ্মা তাল উৎপগী থৌরম অমা ঙরাং তোপ অৱাং লৈকাইদা লৈবা নেহরু মেমোরিয়েল ক্লব কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ক্ষেত্রিগাউ কেন্দ্রগী হান্নগী এম.এল.এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎ, রঙ্গনিকেতনগী চেয়ারমেন প্রভু অজিৎ দাস অমসুং নেহরু মেমোরিয়েল ক্লবগী প্রসিদেন্ট অয়েকপম কুমার সিংহ শরুক য়াখি।

কুম্ভ ঃ উত্তর প্রদেশকী প্রয়াগরাজগী মহা-কুম্ভগী সঙ্গম ঘাৎতা মী নেৎশিন্নবদগী শিবা মীগী মশিং ৩০ শুরে। মীওই ৬০ হেনবনা অশোক অপন নংলে।

কুম্ভ মেলাগী দি.আই.জি বৈভপ কষ্ণনা হায়- অখারা লম্বীদা ঙাক্লিবা বেরিকেদশিং থুগাইদুনা য়াল্লবা মীয়ামা হুপচিল্লকপদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। মফম অদুদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাকা হায়- নোংঙাল্লমদা পুং ১ দগী ২ ফাওবগী মনুংদা থৌদোক অদু থোকখিবনি। খুদক্তা মী কনবগী থবক চথখি অমদি অশোকপশিং হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লায়েংখি।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমদি গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা থৌদোক অদুদাা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি, শোক্তুনা লৈরিবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফবা ওইরসনু হায়রি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনসু লৈখিদ্রবশিংগী মফমদাা অৱাবা ফোংদোকপগা লোয়ননা মহা কুম্ভদা অসিগুম্বা থৌদোক থোক্তুনা মীওই কয়া লৈখিদবা অসি থম্মোয় শোকিঙাইনি।

মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ধর্ম্মগী ওইবা মীয়াম পুনবনি হায়না লৌনরিবা

মহা কুম্ভ মেলা অসিদা ঙরাং নুংথিল পুং ২ ফাওবদা মীওই কোতি ৭ হেনবনা মৌনি অম্মাভৈসা নুমিৎতা ত্রিভেনি সঙ্গমদা ইরুপখি। থা অসিগী ১৩ দগী হৌখিবা মহা কুম্ভ মেলা অসিদা হৌজিক ফাওবদা ভক্ত কোতি ২৫ হেনবনা ত্রিভেনি সঙ্গমদা ইরুপখি। মেলা অসিগী য়েংলগা রেলৱেনা ঙরাং অখন্নবা রেলগাড়ি ১৯০ চেনখি।

ইনর্জি ঃ নিউ এন্দ রিন্যুএবল ইনর্জি মন্ত্রি প্রহ্লাদ জোসিনা হায়রি- ইং ২০৩০ ফাওবদা সরকারনা নোন ফোসিল ফ্যুএলদগী মৈ গিগা ৱাট ৫০০ পুথোকবা হোৎনরি।

নিউ দিল্লিদা অহুমসুবা ইন্দিয়া ইনর্জি ত্রাঞ্জিসন সম্মিৎ হৌদোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়- লাক্লিবা চহি খরা অসিদা ইনর্জিগী দিমান্দ শরুক অনি থোকপগী চাংদগী হেনগৎলকপা য়াই। হায়রিবা দিমান্দ অসি ফংননবা চাদা ৫০ দি রিন্যুএবল ইনর্জিদগী লৌগনি। মহাকা হায়- পি.এম. শুরিয়াঘর য়োজনাগী মখাদা সোলর পেনেল কোতি ১ থমবা পান্দম থল্লিবা অদুগী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা সোলর পেনেল লাখ ৮ লিশিং ৫ হেন্না য়ুংলে।

গেমস (এল)ঃ উত্তরাখন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা হৌজিক চত্থরিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মণিপুরনা সনাগী তকমান ৪ অমসুং লুপাগী তকমান ৪ পুন্না তকমান ৮ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী অনিসুবা মফমদা লৈরি।

করনাটকনা সনাগী ৫, লুপাগী ২ পুন্না তকমান ৭ ফংদুনা অহানবা মফমদা লৈরি।

নুপাগী ফুটবোলদা ঙসি মণিপুরগা কেরলাদা শান্নগনি। মেটচ অসি ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা আই.জি.আই.সি.এস ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নগনি। নুপীগী ফুটবোলদা হয়েং হলদ্বানি ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা মণিপুরগা উত্তরাখন্দগা থেংনগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ম্যান্মারদা কুকি তেরোরিষ্টশিংনা মণিপুরগী লালহৌবশিংদা চত্থরকপা লানঃ মণিপুরগী লালহৌলুপশিংনা কুকি তেরোরিষ্ট ৩০ গী মথক্তা হাৎখ্রে, নোংমৈ ৩০ ফংলে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মরী লৈনবা পাউশিং সনালৈবাক, হুইয়েন লানপাউ, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মণিপুরী ইদিসনদসু হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মহা কুম্ভ মেলাদা নেৎশিন্নবদা মীওই ৪০ হেন্না শিখ্রে, ৬০ না লাইকন্নরি হায়না সনালৈবাক পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মণিপুর মেল অমসুং পিপলস ক্রোনিকলদসু অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

সোসাইতিনা চলাইরম্বদগী লৈঙাকা পায়শিনখ্রবা জেনিমসকী দেন্টেল কলেজ কুম্ফে তারে, দেন্টেল কলেজগী ও.পি.দি এক্সরে মেছিন শিজিন্নবা য়ারক্তবা থা ৪ শুরকপদগী পেসেন্টশিং কোক্তা খুৎ হাপখ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

জয় বাপু, জয় ভিম, জয় সংবিধান হৌদোকপদা কংগ্রেসনা হায়-কন্সটিট্যুসন শেমদোকবা হোৎনরকপা ঙমহল্লোই হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। মণিপুরদগী পুথোকখিনবা হোৎনরম্বা লুপা ক্রোর মরি লাখ ৬৫ রোমগী ব্রাউনসুগর অমসুং কানি ফাগৎখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরী ফিলমগী শকাইরবা এক্তর দিয়া খ্বাইরাকপম লৈখিদ্রে, চীফ মিনিষ্টর য়াওনা লুচিংবা কয়ানা অৱাবা ফোংদোরকখ্রে হায়বা পাউ ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কনফ্লিক জোনদা চাইল্ড রিক্রুটমেন্ট তৌবা লেপকদবনি, নোন-ষ্টেট এক্তরশিংনা অঙাংশিং অদু অশোই অঙাম য়াওদনা থাদোরক্কদবনি হায়বা পাউ অমা মণিপুর নিউজগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউচে অসিমক্তদা অন-রিকোগনাইজ প্রাইভেট স্কুলশিং চৎলিবা একদমিক সেসন ২০২৫-২৬ তগী থিংজিল্লগনি হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

থিংবীনবা লৈতনা চীংখৈ চীং রিজার্ভ ফোরেষ্টতগী অচৌবা মেছিন

শিজিন্নদুনা লৈবাক হোন্দোক্লি হায়বা পাউ পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

জিরিবামদা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংনা সরকারনা করম্বা থবক পায়খৎলবগে হায়না ৱাহং হংলকখিবগী পাউনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর সরকার, কেন্দ্র অমসুং য়ু.এন.সিগী মরক্তা নাকল অহুমগী ওইবা ৱারী ঙসি শান্নরগনি হায়বা পাউ গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেদ্যুল ত্রাইব মহৈরোইশিংগী প্রি-মেত্রিক অমসুং পোষ্ট মেত্রিক স্কোলারসিপ এপ্লিকেসন ফোর্ম থাজিনবগী মতম মথং থাগী ৭ ফাওবা শাংদোক্লে হায়বা পাউ অমা তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------